HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা মণিপুরী জগোয় মরুপকী গোল্ডন জুবিলি ওদিটোরিয়মদা মরুপ অসি লিংখৎখিবগী ৬১শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোক্তুনা শক্লাইরবা জ গোয়গী আর্টিষ্টশিংদা মনা লান্থোকখিবা


লৌশিং পূক্কে : সাইকল থৌবগী হৈনবী থমসি সাইকল ... লামায় ২
লামায় ৩ জিরি লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা ত্রক ১০০ রোম চঙলক্তুনা ...
মীয়ামগা তান্নদুনা থর্দ মে ওবজার্ভেসন পাঙথোক্লগনি : ফোক্স লামায় ৬
লামায় ৮ লৈবাক অসিদা ৫০% ইনহেরিটেন্স টেক্স লো থম্বা মথৌ...
(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) ‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা ... লামায় ৯
লামায় ১০ ফোর্সনা অল-অমিন অদুগা থাওনা পি সী সী...


য়াইস্কুল জন্মস্থানগী নট সঙ্গিৎ একাদেমি রিছর্স সেন্টরনা সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি ন্যু দেল্লীগী শেন্থং মখাদা পাঙথোকপা থা অমগী ‘কলাহন টরিকা নয়িকা’ গী ৱার্কশোপ কম প্রদক্সনগী মৈরা চুখৎপা




Vol. 48, Issue No. 024 | শগোলশেন, শজিবু ১৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, April 25, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


# কুকি টেররিষ্টশিংনা মাঙহন-তাকহনবগী থৌওং লেপ্তুনা চখরি কৌব্রু লৈখা ময়াদা লৈবা থোং ১ বোম পোকখায়হন্দুনা থুগাইরম্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচএনএস) :**

চহী লিশীং ৩৪০০ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম থুগাইরগা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন মচেৎ অমা ফক্তুনা লৌগনি হায়দুনা য়েলহৌ ফুরুপ মীতৈদা ওনশিন্দুনা অতম্নুনা অকনবা লান চখরক্লিবা কুকি টেররিষ্টশিংনা মণিপুরবু মুখৎনবা হোৎনবা থবকশিং লেপ্তুনা চখরক্লি।

মণিপুরগী মরু ওইবা লাইফ লাইন অমা ওইরিবা নেসনল হায়ৱে নম্বর ২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীগী কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসননা কোনবা কৌব্রু লৈখা ময়াদা লৈবা থোংঙাইবী থোং হায়রগা খঙনবা আর সী সী ব্রিদজ অমা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা থোং অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা ইমপ্রোভাইসদ এক্সপ্লোসিভ দিভাইস (আই ঈ দি) বোম ফিট তৌদুনা পোকখায়হল্লগা থুগাইরম্লে।

থৌদোক অসিদা আর সী সী ব্রিদজ অসি অকায় অতোই থোকপনা মরম ওইরগা ইম্ফালদা চঙলক্কদবা গাড়ী ১৫০ রোম সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা টি খুলেনদা পন্দুনা লৈখ্রে।



কুকি টেররিষ্টশিংনা আই ঈ দি বোম ফুমদুনা অকায় অতোই থোকহল্লম্লবা থোং

গাড়ীশিং অসিগী মনুংদা ওইল টেঙ্কর ২ অমসুং পেসেঞ্জরশিং পুবা বস তরুক য়াওরি হায়রি।

## কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা সপরমৈনা অমসুং কৌব্রু লৈখাগী মরক্তা হেভি ভেহিকলশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংজিনখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ১২.৩০ রোম তারকপদা এন ঐচ-২ পরিংগী কৌব্রু লৈখা মনাক্তা লৈবা আর সী সী থোং অমা বোম ফিট তৌদুনা থুগাইরম্বা থৌদোক্কী মতুংদা ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট মহেশ চৌধরিনা থোকখিবা ওর্দর অমনা নেসনল হায়ৱে পরিং অসিদা সপরমৈনা অমসুং কৌব্রু লৈখাগী মরক্তা হেভি ভেহিকলশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা খুদক্তগী থিংজিনখ্রে।

অথিংবা অসি মফম...মখা লমায় ৩ কলম ২

থৌদোক থোকফমদগী ফংলকপা পাউনা হায়, হৌখিবা অহিংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### ঈ ভি এমগা ভিভিপেট স্লিপকা পূন্না ভেরিফিকেসন তৌবগী থবক লৈখাই তারনি

# ঈ ভি এমগা ভিভিপেট স্লিপশিংগা ক্রোস ভেরিফিকেসন তৌনবা কেসকী জজমেন্ট সুপ্রিম কোর্টনা রিজার্ভ তৌখ্রে

**ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী) :** থা অসিগী ১৯দগী হৌখিবা লৈবাক অসিগী ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা ভোট থাদনগদবা মীখলগী মাঙওইননা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা মীখল অসিদা শীজিন্নগদবা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) শিংগা ভোটর ভেরিফাইএবল পেপর ওদিট ত্রেলর (ভিভিপেট) স্লিপশিংগা পূন্না ক্রোস ভেরিফিকেসন তৌগদবনি হায়দুনা ৱাকৎলকখিবা কেস অমগী ৱায়েল সুপ্রিম কোর্টনা রিজার্ভ তৌদুনা থমখ্রে।

কেস অসি অহানবা ওইনা থা অসিগী ১৮দা সুপ্রিম কোর্টনা লৌখৎলগা খন্নখিবগা লোয়নবা মীখল অসিদা শীজিন্নগদবা ঈ ভি এম অমসুং ভিভিপেটশিংনা পাঙথোক্কদবা থবকশিংগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) দা তোঙান তোঙানবা ৱাহংশিং হংখিবনি অদুগা ঈ সী আইগী মায়কৈদগীসু ঈ ভি এম অমসুং ভিভিপেটকী মতাংদা পীখৎফম থোকপা রিপোর্টশিং পীখৎলকখ্রবনি।



ঈ সী আইগী রিপোর্ট অদুদা মীখলদা শীজিন্নরিবা ঈ ভি এমশিং অসি টেম্পর তৌবা ঙমহন্দে অদুবু মসিবু শীজিন্নরিবা মীওইশিংগী মরক্তগী লান্না শীজিন্নবা য়াব্রা হায়বগী মতাংদদি চপ চাবা ৱাফম ফোঙদোরকখিদবনি।

মরম অসিনা নুমিৎ অসিদা কোর্টনা লেপখিবগী মতুংইন্না মেট্টর অসি ঙসি সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস সঞ্জিব খন্না অমসুং দিপানকর দত্ত অনীগী বেঞ্চতা অমুক হন্না লৌখৎতুনা মখা তাবা হিয়ারিং চখখি।

কোর্টনা খন্নখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা ভিভিপেট হায়রিবা মেছিন অসি ভোটরশিংনা ভোট থাদবা মতমদা ঈ ভি এমদা পীরিবা ভোট অদু মখোয়না পীখিবা কেন্দিদেট অমসুং সিম্বোলশিং অদু চুম্না হায়দুনা ভেরিফিকেসন তৌনবগী পাম্বৈ অমনি। মসিগীদমক চেগী স্লিপ অমা ভিভিপেটতা থোরক্তুনা উবা ফংগদৌরিবনি। অদুগা অসিগুম্বা ভিভিপেট স্লিপশিং অদু সিল্ড কোভর তৌদুনা থম্বগা লোয়ননা করিগুম্বা ঈ ভি এমদা থাদখিবা ভোটশিংগী মতাংদা চয়েৎনবা ৱাফম থোরক্লবদি ভিভিপেটশিং হাংদোক্তুনা য়েংবা য়াগনি হায়বা ৱাফম ফাওবা ফোঙদোক্লখি।


অদুম ওইনমক জষ্টিস সঞ্জিব খন্নাগী মায়কৈদগী কন্ট্রোল য়ুনিট নৎত্রগা ভিভিপেট মেছিনদা মাইক্রো কন্ট্রোল্লর য়াওব্রা, মাইক্রো কন্ট্রোল্লর অসি প্রোগ্রাম তৌবা য়াবা মেছিনলা অমসুং সিম্বোল লোদিং য়ুনিট কয়া য়াওবগে অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইরে হায়দুনা দি রাজানা ঈ সী আইদা ৱাকৎখ্রে

**ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৪ (এজেন্সী):** থা অসিগী ১৯দগী হৌরগা তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিগী কেন্দিদেটশিংগীদমক চখরক্লিবা ইলেক্সন কেম্পেইনশিংদা ৱা ঙাঙবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীখল অসিগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লে হায়রদুনা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীনবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) গী জেনরেল সেক্রেটরি দি রাজানা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) দা অইবা চেরোল অমা পীদুনা ৱাকৎখ্রে হায়রি।

সী পি আইগী ন্যু দেল্লীগী অজোয় ভবনদা লৈবা সেন্ট্রেল ওফিসতগী ওফিস সেক্রেটরি রোইকুত্তিনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বদা পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি দি রাজাগী অইবা ৱাকৎ চেরোল অদু ঙরাং ঈ সী আইগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নর রজিব কুমারদা এদ্রেস তৌদুনা পীখিবনি হায়রি।

ৱাকৎ চেরোল অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ২১দা রাজস্থানগী বান্সৱারাদা পাঙথোকপা ইলেক্সন কেম্পেইন অমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মোদেল



কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইবা ৱাহৈশিং য়াওখ্রে। মহাক্না ফোঙদোকখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# ‘বি এস এফ লৌথোক্তবা য়াদে হায়রগদি শুগুনুগী মীয়াম খুদক্তা হাত্তোকপীরম্লো’

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচএনএস):**

থোক্লিবা লান অসিগী অকনবা লানবুং অমা ওইরকখিবদগী মীচম মীয়াম অমদি লন-থুম কন্ননবা শুগুনুগী ওল্ড হোস্পিটাল কমপ্লেক্সতা লৈরিবা ১৬৭ বট্টালিয়ন বি এস এফ (বি) কম্পেনি অসি লৌথোক্তবা য়াদে হায়রগদি শুগুনু মীয়াম খুদক্তা হাত্তোকপীরম্লো হায়না শুগুনু মৈরা পায়বীশিংনা ফোঙদোরক্লি।

বি এস এফ ১৬৭ বট্টালিয়ন (বি) কম্পেনিনা লৈরিবা ওল্ড হোস্পিটাল কমপ্লেক্সকী গেটতা ফমজিন্দুনা ঙরাংদগী অহিং য়ারেক্তুনা বি এস এফ লৌথোকখিবা য়ারোই হায়দুনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী মৈরা পায়বী খাইদেম বিজয়ানা হায়, লানগী অকনবা শাফূ নংখিবদগী তপ্না তপ্না ময়ূম ময়ূমদা হঞ্জিন্নরক্লবা মীয়াম্না শুগুনুদা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সেস পীবিনবা হায়জদুনা লৈরিঙৈদা বি এস এফ লৌথোক্লবা তৌরিবসি শুগুনু মীয়াম্না য়ানীংদে, মীয়ামগী পূন্সিদগী ভোটনা হেন্না মরু ওইদুনা



শুগুনুদগী বি এস এফ লৌথোক্কনি হায়বসি খুদক্তা হন্দোক্কদবনি।

মহাক্না মখা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা জজশিংনা রিলিফ কেম্পশিংগী ফীভম য়েংশিন্দুনা মতেং পাংখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচএনএস):**

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুলনা লুচিংবা জজগী কাঙবু অমনা ঙসি রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা লাঞ্জেন্নরিবশিংগী ফীভম অমদি অৱাৎ অপা হকথেংননা য়েংশিনবগা লোয়ননা মোম্পাক অমদি অঙাংগী শান্নপোৎনচিংবা পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এ বিমোল, জষ্টিস এ গুনেশ্বর অমদি জষ্টিস গোলমৈ গাইফুলশিল্লু অমসুং মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরি অলেক মুইভা অমদি অতৈ ওফিসলশিং য়াওনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা অহানবা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাঙ্গোলদা হাংবা মীতৈ লাঙ্গোল রিলিফ কেম্পতা চঙখি। মফম অদুদা চীফ জষ্টিস সিদার্থ ম্রিদুলনা লাঞ্জেন্নরিবশিংগা ৱারী-ৱাতাই শানদুনা মখোয়গী অপান্বা অমদি থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা খন্নখি।

মফম অদুদগী থোরক্লগা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা টিম অদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী অকাম্পাৎতা লৈবা আইদিএল গর্লস কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা অমুক চত্তুনা লাঞ্জেন্নরিবশিংগীদমক মোম্পাক, অঙাংগী শান্নপোৎ অমদি সাইকলনচিংবা মতেং পাংখি।

রিলিফ কেম্প অসিদসু লাঞ্জেন্নরিবশিংগা ৱারী-ৱাতাই শানদুনা মখোয়গী অনীংবা-অপান্বা অমদি থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং চীফ জষ্টিসকী মফমদা ময়েক শেংনা পাউদমখি। লাঞ্জেন্নরিবশিং অদুনা মরু ওইনা মখোয় মশা-মশাগী য়ুমদা হঞ্জিনবা য়ানবা শিনবীয়ু অমদি মচা-মশু লাইরিক তম্বদা থেংনরিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### পূন্নমক্লা ময়ূমদা হঞ্জিনবা পাম্মী অদুবু ঈং-তপ্না লৈহন্নবা মূক্নরিবা নাকল অনী ৱারী শানগদবনি : চীফ জষ্টিস

### পীক্লিবী মচিল মনাও নুপীমচা ২গী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবা মীওই কোর্টনা ফাদোক পীখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচএনএস):**

ঙসিদগীনা চহী ৪ রোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৮গী জুলাই ২৮দগী ওগষ্ট ২ ফাওবগী মনুংদা মতমদুদা চহী ৮ অমসুং ৬ খক্তা ঙাইরিবী মচিল মনাও অনীবু ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি হায়বা মীওই অমা ঙসি কোর্টনা ফাদোক পীখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : April 26ta anisuba phaseda Manipurgi Assembly Segment 13gi meekhal pangthokpada pamdaba thoudoksing thorakloi thajabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Election duty touhanba personelsingda piba TAda district amaga amagagi marakta chap mannadana pire haiduna wakatnaraklibasi achumbra?

Yes 67% No 33%

### অস! লোইরেহে!

- শান্তি লাক্লে হায়রগা চা লোল্লমদ্রিবা করিগীনো, নুপী?



- ওহ! লাইশ্রম শান্তি ওইরে।

# কে ৱাই কে এলগী ৩০শুবা মপোক কুমওনগী মাঙওইননা চ্যেরমেন এন ওকেননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ :** কংলৈ য়াওল কন্না লূপ (কে ৱাই কে এল) গী মপোক কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা লূপ অসিগী চ্যেরমেন এন ওকেননা মীয়ামদা মাঙজৌননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। কে ৱাই কে এলগী সেক্রেটরি (পব্লিসিটি এন্দ রিছর্স) এ য়াইফবনা থোরকপা চেরোল অমনা লূপ অসিগী চ্যেরমেন এন ওকেননা খূৎয়েক পীবা পাউজেল ফোঙদোক্লদুনা হায়, চৎলিবা কুমজা ২০২৪গী এপ্রিলগী চৈচৎ ২৫ অসি কংলৈ য়াওল কন্না লূপ (কে ৱাই কে এল) লিংখৎখিবগী ৩০শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ থোক্লে। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ঐহাক্না কে ৱাই কে এলগী মহুৎ শিঞ্জদুনা ঐখোয়গী অপূনবা ৱেসিয়া লমদমগী অমদি কংলৈপাক্কী মীচম মীয়াম, য়াওল্লুপশিং, য়াওল্লোইশিং, সী এস ওশিং, মীয়ামগী লুচিংবশিং, পব্লিক ইন্টলেকচুএলশিং, মীদিয়াগী মরূপ-মপাং পাউজে ল্লোই পূন্নমক্তা য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়রি।

য়াইফ পাউজেল অসিগা লোয়ননা ঐখোয়গী কংলৈপাক অমসুং ৱেসিয়াগী লৈবাক মীয়াম অমদি য়াওল ঈহৌগী ফীভমগী মতাংদা ৱাখল মীৎয়েং অমা ইন্টলেকচুএল, মীয়াম অমদি মরী লৈনবা পূন্নমক্লা খন্নবীনবা ফোঙদোকচরি।

রসিয়াগী য়াওল্লোই লুচিংবা, থিওরিটিসিয়ন, ফিলোসোফর অমদি মালেমগী মার্ক্সিস ঈহৌগী পূৱারীদা অচৌবা ফিদা অমা কল্লিবা লেনিননা অসুম্না হায়খি ‘... পোলিটিক্স ইজ দি মোষ্ট কন্সেন্ট্রেটেদ এক্সপ্রেসন ওফ ইকনমিক্স, ইটস জেনরেসন্স এন্দ ইটস কলমিনেসন’ মীওইবগী পূৱারীবু শেন্মীৎলোনগী মীৎয়েংদগী ৱাহন্থোক পীবগী থিওরিগী মায়থোঙ অমবু খ্বাইদগী শম্বা অদুগা ৱাহন্থোক্লা খ্বাইদগী হেন্না মরীক চুম্বা অমসুং মীচমগী লোলদা হায়বা ৱাহৈ পরেং অমনি। লৈঙাক্লোন, লৈশেমলোন হায়বসি শেন্মীৎলোনগী মপান থোংদা উৎথোরকপা, ফোঙদোরকপা, লায়না তরং-তরং উবা ঙম্বা থৌওং অদুনি হায়বনি। শেন্মীৎলোন্না য়ুস্ফম ওইরগা পোলিটিক্স, খুন্নাইরোল, কলচর, মোরেলিটি, লো, লাইনীং লাইশোন, ৱাঙুলোন, আর্টস, লিটরেচর অসিনচিংবা পূন্নমক অসিনা শাগৎপা য়ূমজাউ অমদা মীওইবা খুন্নাইনা হিংবনি। ...মখা লমায় ৬ কলম ১

# অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা য়ূম ৫০ রোম হুমদোকপদা নত্তনা উ-ৱা কয়াসু তেকখ্রে



বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা অকায় অতোই থোকহল্লম্লবা অমা

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচএনএস):** ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবা মতমদা অকনবা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা হুমদোক্তুনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নম্বোল মমাঙগী খা সঞ্জেনবমদা ঙসি নুংথিল শিৎখিবা লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা য়ূম ৫০ রোম অমাঙ অতা থোকহনখিবদা নত্তনা দাইমন্দ স্কুলনচিংবা য়াওনা হুমদোক্তুনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# সেকমাইগী লানফম : খুল ঙাকপা অমা শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪৫ রোম তারকপদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা সেকমাইগী নোংথোনবন্দ মমাঙদা লৈবা সেকমাই তুরেল মপানগী হোট মিক্স প্লান্ট অমদি তুরেলদা নুঙ-লৈঙোই পেকপশিং তম্না বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিন্দুনা থেঙ্খাং অনীরক্তা লান্দারকখ্রবা মতুং ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপদসু অমুক হন্না নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে।

কুকি টেররিষ্টশিংনা ঙসি নুমিদাং পুং ৯ তারকপদসু অমুক হন্না নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক তৌরকখি। ঙরাংদগীনা ঙসি নুমিদাং ফাওবগী মনুংদা চখরকখিবা এটেক অসিদা খুল ঙাকপা অমসুং ষ্টেট ফোর্সকী মায়কৈদগীসু হন্দুনা খূৎ থোক্লখি। অশিবা হকচাং ফংবা ঙমখিদ্রবসু কুকি টেররিষ্টশিংগী মায়কৈদা মীওই অনী শিরমগনি হায়না থাজনখিবনি। অদুগা খুল ঙাকপশিংগী মায়কৈদনা ইবোবী কৌবা খুল ঙাকপা অমা নোংমৈ মরূনা খেৎখিবদগী শোক্তুনা সেকমাই কম্যুনিতি হেল্থ সেন্টরদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদনা শগোলমাং পি এসকী মনুং চনবা মার্ক হিলস রেঞ্জদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা কোংবা মরূ তম্না নোংমৈ রাউন্দ ১০ রোম কাপশিল্লকখ্রে হায়রি।


অদুম ওইনমক থৌদোক অসিদা খুল ঙাকপশিংগী মায়কৈদা অশোক অপন য়াওখিদে অদুবু মখা তানা নোংমৈ খক্তা নত্তনা বোম ফাওবা শীজিন্নদুনা এটেক চখরকপা য়াই চিংনবদগী মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনরি হায়রি।

# হন্দক্কী মীখল অসিদি অমুক্কা হেন্না ভোট থাদনীংদবা ফাওরে : রিসাংমৈ

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ১৯দা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী মণিপুরগী অহানবা ফেজদা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৪৭তা ভোট থাদনখ্রবা মতুং থা অসিগী ২৬কী অনীশুবা তাঙ্কক্তা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ১৩গী মনুং চল্লিবা ভোটরশিংগী অপাম-পামদা মথং-মথং লৌরকপগী মখা তারকপদা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী সোংরিফাই খুলদগী রিসাংমৈ মোইনাও কৌবা ভোটর অমনা পাউচে অসিদা হায়, হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদি হৌজিক ষ্টেট অসিদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং নোংমা কাংদনা থোক্লিবা অমসুং কাঙলূপ অনীগী ঈরাংদা মীওই কয়া অমগী পূন্সি মাঙখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা ময়ূম মকে মৈ থাদোকখিবদগী লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবনা তাঞ্জা অসিদদি মীখল পাঙথোরকপা মতম চাদব্রা হায়না খল্লি। অদুবু পাঙথোকপা হৌরক্লবনিনা মীয়াম্নসু শরুক য়ারে। আউটর মণিপুরগীসু মীরেপশিং থোক্তুনা ভোট খোম্নখি। অদুবু ঐহাক ইশাগী ওইনদি ইলেক্সন অসি কয়া য়াওনীংদে। ইলেক্সনদা ইন্টরেষ্ট লৈবা মীসু ওইদে। লান থোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদসু ভোট থাদখিদে। হন্দক্লা অমুক্কা হেন্না ইলেক্সনদা শরুক য়ানীংদে হায়না ফোঙদোরকখি।

### লোক সভা মীখল - ২০২৪দা মীয়ামগী হকথেংনবা পাউদম





মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক থোক্লিবা কাঙলূপ অনীগী ঈরাংসিনা ৱাহল্লিবসি কাঙলূপ অনীখক্তা নত্তে, অতোপ্পা কাঙলূপকী মীওইশিংসু লোইনা ৱামিন্নরিবনি। লম্বী চৎথোক চৎশিন্দা, লল্লোন ইতিক তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। পোৎ য়োনবসু শিংত্রে। মমাঙদা শিৎলম্বা চাংদগী শরুক অহুমগী মনুংদা শরুক অমা ফানা য়োনবা ঙমদ্রে। ফীভম অসি মীয়াম পূন্নমক্কীনি। মণিপুরগী শূরগা চাজবা মীওইশিংদি হৌজিক শেল থোকপা ৱাৎনরকপনা হিংবদা অৱাবা অমা ওইরে। পূন্সি মহিংদসু লান মমাঙগা লান মতুংগা ফজনা খেন্নরে।

ফীভম অসি লৈঙাক্লসু য়েংশিলহন্নীংই। লান অসি হৌজিক চহী অমা ফাজিল্লক্লে। অসুক শাংনা লান অদুমক তৌদুনা লৈবা হায়বসিদা খ্বাইদগী ৱারিবসি লায়রবা মণিপুরগী মীচমশিংনি। মরম অসিনা লৈঙাক্লা লান অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবীয়ু। নোংমগী শূরগা হিংজবা মীওইশিংদদি খম থেংনা ৱারে। মরম অসিনা লান লোইশিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা ইলেক্সন ওইনা পাঙথোক্তুনা তৌরক্লিবসিদি পামদে। মরম অসিনা ভোট থাদররোইসিরা হায়না খল্লে। থাদরবসু থাদদ্রবসু ইমান মান্নে। করিসু খেন্নবা লৈতে। কেন্দিদেট অমা কাখিবা য়াই, মথং অমসু অমুক লাক্কনি। অদুবু অহোংবদি ইরৈ লৈতে। মাগী মাগী পার্টিগীনি হায়দুনা তূমিন তূমিন লৈখিবা ঙাক্তনি। মরম অসিনা ইলেক্সনদা করিসু ইন্টরেষ্ট লৈত্রে। হন্দক্কী অসিনা অমুক্কা হেন্না য়াওনীংদ্রে হায়নসু মখা তারকখি।

# ঐগী মীৎমাংদা ইবুংবু ফূরম্বনি, অচুম্বগীদমক শিরবসু য়ারে : মেধা

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচএনএস):**



খোইরোম ওংবী মেধা (য়েৎ)

থা অসিগী ১৯দা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী মণিপুরদা অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনখিবদা পোল্লিং ষ্টেসন খরদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া পাক্তক্না থোকখিবগী মনুং চন্না কৈরাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা পোল্লিং ষ্টেসন ৬/৩- ক্যামগৈ হৈবোংমখোঙদা কোংগ্রেসকী ইন্নর এজেন্ট ওইখিবা য়ুম্নাম শান্তবু চিংথোক্লগা ফুখিবা অদু লূপ অমদা য়াওবা মীওইশিংনি হায়না ফোঙদোকখিবা শান্তগী মচননুপী খোইরোম ওংবী মেধানা মঙোন্দা কিহন-খংহল্লক্লবসু মহাক্না হায়দোকখিবা ৱাফমশিং অহোংবা লৈতে হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কোংগ্রেস মীরেপ ওইখিবা ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী কৈশামথোং তোপ লৈরক মচিন্দা লৈবা য়ূমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা খোইরোম ওংবী মেধানা হায়, থা অসিগী ২০দা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫